## পুপু কপ অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# পি জে এ পুংদোংবম, এস টি টি সেক্তানা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ :

পুপু পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা লমলাই হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু কপ) অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা পি জে এ পুংদোংবম্না এল ৰাই পি ও সী মন্ত্রিপুখ্রিবু ৩-১ দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এস টি টি সেক্তানা এফ সী হৈককমপালবু ১৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা পি জে এ পুংদোংবম অমসুং এল ৰাই পি ও সী মন্ত্রিপুখ্রি অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লবা সাইদশিংদা অকনবা এটেক তৌদুনা শান্নখি।

পি জে এ পুংদোংবম্না অয়াম্বা মতমদা মায়োক্লখিবা সাইদতা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২৯ চৎপা মতমদা এ রোজরনা গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

এল ৰাই পি ও সী মন্ত্রিপুখ্রিসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা পি জে এ পুংদোংবমগী সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না গোল চন্ননবা এটেম্পশিং তৌখ্রবসু পি জে এ পুংদোংবমগী লিংলবা দিফেন্স লাইন ফাওজিন্দুনা বোক্স তন্না চঙবা ঙমখিদবদগী গোল চন্ননবগী আশা মাঙখি।

পি জে এ পুংদোংবমগী হনবা লৈতনা মায়োক্লবা সাইদতা চঙশিনখিবা শাফুশিংদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা গোল অমগা এন রাহুলনা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা এল ৰাই পি ও সীনা গোল শোথুনা লৈখি। পি জে এসু হাফ অদুদা অহেনবা গোল চন্ননবা হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংদনা লৈখি।

মখা তানা পি জে এ পুংদোংবম্না এল ৰাই পি ও সীগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৬ চৎপা মতমদা ৰাই সুরজনা গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-০ দা লৈখি।

এল ৰাই পি ও সী মন্ত্রিপুখ্রিসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক অঙম্বা থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা তকখৎলকখ্রবসু পাক হেক গোল চনবদি ঙমখিদে। পি জে এ পুংদোংবম্না অহেনবা গোলশিং চন্ননবা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি অদুবু গোল চনবদি ঙমখিদে।

এল ৰাই পি ও সীনা অকনবা শাফু অমদা তকখৎখিবা এটেক্তা মখোয়গী প্লেয়র এন সবিনা মেচকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা মখা তাবা গোলশিং চনবা ঙম্ন খিদবদগী পি জে এ পুংদোংবম্না এল ৰাই পি ও সীবু মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এস টি টি সেক্তা অমদি এফ সী হৈককমপাল অনীনা শান্নরকখি। মেচকী অয়াম্বা মতমদা হৈথোই শিংথোইবা এস টি টি সেক্তানা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি।

মেচ হৌখিবা ইকুই কুইদনা এস টি টি সেক্তানা তৌখিবা এটেক অমদা এল রোবিনসন্না মেচকী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

এস টি টি সেক্তানা মায়োক্লখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা এস বিশ্বরজিৎনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখি।

এস টি টি সেক্তানা লেপ্পা লৈতনা চঙশিনখিবা এটেক্তা রোবিনসন্না মেচকী মিনিট ২০, ৪০, ৪৩ অমদি ৪৪ চৎপা মতমদা গোল মরি অমগা চনশিনখি অদুগা কে রেনোল্ডনা মেচকী মিনিট ১৫ অমদি ১৮ চৎপা মতমদা গোল অনী অমগা চনখি।

মখা তানা এস টি টি সেক্তাগী প্লেয়র এস ঐচ নেত্রজিৎনা মেচকী মিনিট ৩০, ৰাই সনানা মেচকী মিনিট ৩৪, এস ঐচ বিজেন্না মেচকী মিনিট ৪৭ অমদি সোমেন্দ্রোনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনশিন্দুনা এফ সী হৈককমপালবু মায়থীবা পীখি।

এফ সী হৈককমপালদি মেচ অদুদা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদবনা গোল চন্ননবগী আশাসু মাঙখি।

# মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা সাইক্লোননা চেম্পপু রন ২৮ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ :

বিনোয়গী ওল রাউন্দর পার্ফোমেন্সনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু মফম অসিগী লুৰাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরিবা ১৪ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লিবু রন ২৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টোস ঙমখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা অহানবা বেট্টিং খনখি। মখোয়গী বেট্টিংদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৰিকেট ৮ তুরগা অপূনবা রন ১১৬ লৌরগা চেম্প খাগেম্পল্লিগীদমক টার্গেট রন ১১৭ পীরমখি।

মদুগী পাউখুমদা চেম্প খাগেম্পল্লিনা ওভর ২৫.১ দা ৰিকেট পূম্নমক আউট ওইরগা রন ৮৮ খক্তমক লৌবা ঙমদুনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মখূৎতা রন ২৮ দা মায়থীহৌখি।

মেচকী অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোনগী বিনোয়না বোল ৫৮ দা রন ৪০, অরুন্না বোল ৪৩ দা রন ২২, ব্রোজন্না বোল ২০ দা রন ১২ অমদি রোবেন্না বোল ১৪ মায়োক্লখিবদা রন ৭ খক লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

চেম্পকী বোলর জোদিবানা ওভর তরুক্তা রন ১২ পীথোক্লগা ৰিকেট অহুম, গোপালনা ওভর ৫ দা রন ২০ পীরগা ৰিকেট ৩, রতন্না ওভর ৬ তা রন ২০ লৌরগা ৰিকেট অমা অমদি সঞ্জয়না ওভর ৩ দা রন ১৮ পীথোক্লগা ৰিকেট অমা লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা চেম্প খাগেম্পল্লিনা মখোয়গী টার্গেট রন ১১৭ লৌননবা তানখৎলকখিবদা মাইকেলনা বোল ৩০ দা রন ১৭, জোদিবানা বোল ১৩ দা রন ১০, তোমথাংনা বোল ২০ দা রন ১৩ অমদি গিতনা বোল ১৮ দা রন ৭ লৌদুনা টিমগীদমক হোৎনখ্রবসু মায় পাক্লবগী লম্বীদা পুশিনবা ঙমখিদে।

সাইক্লোনগী বোলর বিনোয়না ওভর তরুক্তা রন ১৬ পীথোক্লগা ৰিকেট অহুম, রোবিন্দ্রোনা ওভর ৫.১ দা রন ১৫ পীথোক্লগা ৰিকেট অহুম, চাউবী (টিকেন) না ওভর ৪ দা রন ১৭ পীথোক্লগা ৰিকেট অনী অমসুং সুরজিৎনা ওভর অহুমদা রন ১৬ পীথোক্লগা ৰিকেট অনী লৌদুনা মায়োক্লখিবা চেম্পকী বেট্টিং লাইন থুগাইখি।

মেচ অদুদা ৰিকেট অহুম অমদি রন ৪০ লৌখিবা সাইক্লোনগী বিনোয়না মেন ওফ দ মেচ তাখি।

হয়েং ৰাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমদি নাপসা খা ইম্ফাল অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী ৰিন্নরদা রোল্লিং ট্রোফি অমদি লুপা লিশীং ১৫ গী কেশ এৱার্দ পীগনি। মসি লিলোং হাওরৈবি কোলেজদা এসোসিএট প্রোফেসর ওইরিবা ঈ ভোরোট সিংহনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপী কৈন্যাহনবী দেবীগী মীংদা কৎপনি।

ঈ ভোরোট হৌজিক মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী লাইফ মেম্বর ওইরি।

রন্নর্স-অপ তাবা টিমদা রোল্লিং ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১০ গী কেশ প্রাইজ পীগনি। প্রাইজ অসিনা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (কাউ) গী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এ হেরোজিৎ সিংহনা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রবা এ ইবোচৌবা সিংহগী মীংদা কৎপনি। ডা. এ হেরোজিৎ সিংহ হৌজিক মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী লাইফ মেম্বর ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মেন ওফ দ সেরিজ, মেন ওফ দ ফাইনেল মেচ, হায়র রন স্কোরর অমদি হায়েষ্ট ৰিকেট টেক্করদা ট্রোফি অমদি লুপা লিশীং ১/১ গী মনা পীগনি।

হায়রিবা মনাশিং অসি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা এ মোহনদাস সিংহনা মহাক্কী লৈখিবা মকুবোক সাপম মনি সিংহাগী মীংদা কৎপনি।

## সেকেন্দ দিভিজন লীগ ঃ নেরোকা এফ সী

# অমসুং ফটেহ হায়দ্রবাদ এ এফ সী দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ :

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ফাইনেল রাউন্দগী নেরোকা এফ সীগী অহুমশুবা অৱে মেচতা হোম টিম ওইরিবা ফটেহ হায়দ্রবাদ এ এফ সীগা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা হোম ভেন্যু তরুক্তা টিম তরুক্না হোম এন্দ অৱে বেসিসতা শান্নরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নেরোকা এফ সী অমদি ফটেহ হায়দ্রবাদ এফ সী অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবগা লোয়ননা পোইন্ট য়েন্নখি।

নেরোকানা লীগ অসিদা ফংখিবা মেচ অহুমগী মনুংদা মেচ অমনা মায় পাকখিবা, মেচ অনীনা দ্রো চৎখিদুনা অপূনবা পোইন্ট মঙা ফংদুনা টেবল ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

দেল্লি য়ুনাইটেদনা মেচ অনী ফংখিবদা অমনা মায় পাকপা অমনা দ্রো চৎখিদুনা পোইন্ট মরি ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি। সাউর্দন সম্মিটিনা মেচ অনী শান্নখিবদা মেচ অমনা মায় পাকপা, মেচ অমনা দ্রো চৎখিদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। ফটেহ হায়দ্রবাদ এ এফ সীনা মেচ অহুম শান্নখিবদা মেচ অনীনা দ্রো চৎপা, মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট অনী ফংলগা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

কেনক্রে এফ সীনা মেচ অনী শান্নখিবদা অমনা দ্রো চৎপা, অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট অমখক্তমক ফংলগা মঙাশুবা মফমদা লৈরি। লোন ষ্টার কাশ্মীর ফুটবোল ক্লবনা মেচ অনী ফংখিবদা অমনা দ্রো চৎলগা অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট অমা ফংলগা গোল দিফরেন্সতা নেম্না লৈখিবদগী তরুকশুবা অমদি খ্বাইগী মনিংদা লৈখি।

নেরোকা এফ সী অমদি ফটেহ হায়দ্রবাদ এ এফ সী অনীগী মেচ অদু হেক হৌখিবগা অমনা অমবু অকনবা চেলেঞ্জ তৌনদুনা শান্নরকখি।

টিম অনীগী পূক্নিং হুরবা মেচ অদুদা গোল চন্ননবা খুদোংচাবা খরা টিম অনীমক্না ফংনখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে।

টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা সাইদশিংদা অকনবা লম্বা তৌদুনা চঙশিন্নখ্রবসু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা নেরোকা এফ সী অমদি ফটেহ হায়দ্রবাদ এ এফ সী অনীনা মমাঙগী হাফতা শান্নখিবা অদুদগী তাদনা শান্নরকখি।

টিম অনীমক্না গোল চন্ননবগীদমক অচেংবা তাঞ্জা য়েংনদুনা তকখৎনখ্রবসু হৈবা মান্নবদগী গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেচ লোইবা ফাওবা লৈখি।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চনবা ঙম্নখিদবদগী ০-০ দা দ্রো চৎতুনা মেচ অদু লোইশিনখি।

নেরোকানা মখোয়গী হোম মেচ ওইনা লাক্লিবা এপ্রিল ২১ দা খুনম লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা দেল্লি য়ুনাইটেদ এফ সীগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি। মেচ অসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি। মেচ অসি মীয়াম্না ফ্রীদা য়েংবা য়াগনি হায়রি।

Hero I-LEAGUE
FINAL ROUND

| RA | Team Name | Pts | Pld | W | D | L | GF | GA | GD |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | NEROCA FC | 5 | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 |
| 2 | DELHI UNITED | 4 | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 2 | 1 |
| 3 | Southern Samity | 4 | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | 1 |
| 4 | Fateh Hyderabad AFC | 2 | 3 | 0 | 2 | 1 | 0 | 1 | -1 |
| 5 | Kenkre FC | 1 | 2 | 0 | 1 | 1 | 2 | 3 | -1 |
| 6 | LoneStar Kashmir Football Club | 1 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 | -1 |

# মনিশ সিংহ রাৱট, খুসবির কৌরনা আই এ এ এফ রেস ৱাল্কিং চেলেঞ্জদা ক্বালিফিকেসন ষ্টেন্দর্দ য়ৌদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৬ :

চিনানা য়ূম্বু ওইদুনা টাইকাংদা থাংজ নুমিৎতা চথখিবা আই এ এ এফ রেস ৱাল্কিং চেলেঞ্জদা রেস ৱাল্কর মনিস সিংহ রাৱট অমদি খুসবির কৌরনা ক্বালিফিকেসন ষ্টেন্দর্দ য়ৌদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইখ্রে।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিদবদগী এসিয়ন রেস ৱাল্কিং চেম্পিয়নশিপকীদমক মনিস সিংহ রাৱট অমদি খুসবির কৌরবু সেলেক্সন তৌখিদবনি।

আই এ এ এফ রেস ৱাল্কিং চেলেঞ্জ অদুদা মনিস রাৱটনা পুং ১ গা মিনিট ২৩ গা সেকেন্দ ৫৮ চেন্দুনা নুপাগী কিলোমিটর ২০ গী রেস ৱার্কতা তরুকশুবা মফম কনখি।

মহাক্না ক্বালিফিকেসন মার্ক ১:২৪:০০ বু সেকেন্দ অনী মাঙজিল থানা চেনখিদুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি। নুপীগী ইভেন্টতা খুসবিরনা ১:৩৪:০১ সেকেন্দ চেন্দুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি অদুগা মসিগী ক্বালিফিকেসন মার্কনা ১:৩৬:০০ সেকেন্দনি।

ইন্দিয়ন ৱাল্কিং টিমগী হেদ কোচ আলেকজেন্দর অর্সিবাসেবনা এথলেট অনীনা মফম অদুগী মৈ হৌনা শারবা ৱেদর অদুদা মায় পাক্তুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবা হরাউবা ফোঙদোকখি।

মনিসনা মদুদা এসিয়নশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফৰা এথলেটসু ওইখি। কে টি ইর্ফান (১:২০:৫৯), দেবেন্দর সিংহ (১:২১:৩৮) না জপানগী নোমি সিটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন রেস ৱাল্কিং চেম্পিয়নশিপ্তা ক্বালিফিকেসন কাইতেরিয়াগী মখাদা লাকখি অদুগা গনপতি কৃষ্ণনন্না ১:২৪:১৮ সেকেন্দদা চেনখি।

কিলোমিটর ২০ গী রেস ৱাল্ক অদুদা ব্রাজিলগী কাইও ওলিবেরা দি সেনা বোনফি ১:২২:১৬ সেকেন্দ চেন্দুনা ফার্ষ্ট, মেক্সিকোগী জুলিও সেসর সলাজারনা ১:২২:৫৮ সেকেন্দ চেন্দুনা সেকেন্দ, সাউথ অফ্রিকাগী লেবোগান অবদুল্লা শাগেনা ১:২৩:৪৫ সেকেন্দ চেন্দুনা থার্দ তাখি।

নুপীগীদা চিনাগী লু জিয়ুঝিনা ১:৩১:০১ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, চিনাগী য়াং জিয়ায়ুনা ১:৩১:০৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা, চিনাগী ৱাং নানা ১:৩১:০৯ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3779/23/32-24/4

